# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, April 18, 2021, Imphal    Page 11





হন্দক্তা ওমানদা পাঙথোকখিবা মুসানা ওপন সেলিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী সেলিং মশান্নগী পুৱারীদা অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরকপা অসিনা হৌরকপদা ঙাইরি হায়না ফোঙদোকখিবী নেথ্রা কুমানন

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি শাফবা অমদি অশোয়বা য়াওদবা ওলিম্পিক গেমস অমা ওইহন্নবগীদমক জপানগী পি এম য়োসিহিদে সুগাবু শৌগৎলকখিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেন



## ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ৯শুবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু রন ১৩দা থোইখ্রে



চেন্নাই, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা লৈবা এম এ চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু রন ১৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ১৫০ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর ক্বিন্টোন দি কোক অমসুং কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৫৫ হাপচিনবা ঙমখি। রোহিট শর্ম্মা বোল ২৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং চঙলকখিবা সুরিয়া কুমার য়াদব রন ১০দা আউট ওইখি। য়াদবকী মতুংদা ওপনর ক্বিন্টোন দি কোক বোল ৩৯দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪০দা আউট ওইখি। মঙাশুবা বেটসমেন পোলার্দনা বোল ২২দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩৫দা আউট ওইরগা টিম অদুগী ইন্নিংস রন ১৫০দা লোইশিনখি।

মায় পাক্নবা রন ১৫১ লৌনবা হোৎনবদা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী দেবিদ ৱার্নর অমসুং জোনি বার্ষ্টোনা য়াম্না ফজবা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৬৭ লৌবা ঙমখি। ৮-শুবা ওভরদা জোনি বার্ষ্টো বোল ২২দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা মশাগী রন ৪৩দা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকখিবা মনিশ পান্দে শুপ্পগী রন ২দা আউট ওইখি।

অপূনবা রন ৯০ শুরকপদা ওপনর দেবিদ ৱার্নর বোল ৩৪দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা মশাগী রন ৩৬ তা আউট ওইখি। মখা তারকপা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী বেটসমেনশিং মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী বোলরশিংগী এটেকতা ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। বিজয় শঙ্করনা বোল ২৫দা সিক্স ২ য়ৈরগা রন ২৮ লৌখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ১৫ য়ৌবা ঙমখিদবদগী টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ওভর ২০ শুরকপগী ৪শুবা বোলদা রন ১৩৭তা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা রন ১৩দা থোইবা ঙমখিবনি। মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী মায়কৈদগী বোলর ট্রেন্দ বোলগী ৱিকেট ৩ লোয়ননা নহা ওইরিবা রাহুল চাহরগী মায়কৈদগী ওভর ৪ লংবদা শুপ্পগী রন ১৯ খক পীরগা ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেল ওইহনখি।

## মোন্টি কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী ফাইনেলদা সিঙ্গলসতা ষ্টিফানোস অমসুং রুব্লেভ লম্বা তৌনরগনি





পেরিস, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):

রসিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় এন্দ্রি রুব্লেভ অমসুং গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাসনা ফ্রান্সকী মোন্টি কার্লোদা পাঙথোক্লিবা য়ুরো ২,৪৬০,৫৮৫কী শেলগী মনা লৈবা ১১৪রকশুবা এদিসন ওইরিবা মোন্টি কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াই, রসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা এন্দ্রি রুব্লেভনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্লে কোর্টকী লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা মীয়াম্না 'কিং ওফ ক্লে' হায়বা মিংথোল পীখ্রবা স্পেনগী রফেল নদালবু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্বনি। রুব্লেভনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা নোরৱেগী শান্নরোয় কেস্পর রুদপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৫দা থোইখি।

অহানবা সেট অদু রুব্লেভনা কা-হেন্না ৱাদনা কেস্পর রুদকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইবা ঙমখিবনি। অদুবু অনীশুবা সেটতদি কেস্পর রুদকী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা গেম ১০ লোইবা ফাওবা গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। মখা তারকপা ১১ অমসুং ১২ শুরকপা গেম অদু এন্দ্রি রুব্লেভনা থোইবা ঙমখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা মরিশুবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাস অমদি গ্রেট বৃটেনগী দান ইভান্সকী লম্বা অদু গ্রিসকী শান্নরোয় অদুনা হৌবদগী খূদুম চনবা ঙমদুনা ইকোম কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট অদু সিসিপাসনা ইভান্সকী সর্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা অমুক্কা হেন্না ফজবদগী ৬-১দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী প্যের নিকোলা মেক্টিক অমসুং মেটপাভিসনা ফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী দেনিএল ইভান্স অমসুং নিল স্কুপস্কিগা শান্নরগনি। বৃটেনগী প্যের অদুনা ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান প্যের ওইরিবা কলম্বীয়াগী জোন সেবেষ্টিয়ন কবাল অমসুং রোবর্ট ফারাবু থোইরমখি।

## হৈরোক্তা এল ঈ দি ফ্লদ লাইট প্লেগ্রাউন্দ অমা শঙ্গাখ্রে



থৌবাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস):

হৈরোক এ সীগী মীহুৎ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক পার্ট -থ্রীদা লৈবা কবো লৈকাই দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী শান্নবুং অমা এল ঈ দি ফ্লদ লাইটকী খূদোংচাবা হাপচিন্দুনা নৌনা শেমজিল্লগা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না এম এল এ রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা শঙ্গারগা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

প্লেগ্রাউন্দ শঙ্গাবগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না কে দি এনা শিল্লগা পাঙথোকখিবা য়াওশঙ স্পোর্টস ২০২১গী তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা মকোক-মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদসু মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়, অফবা, চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা লৈকাই নৎত্রগা খুল অদুগী মীপূম খূদিংমক মশা-মউ ফবা, লায়না চেন্দবা মী অমমম্ ওইহনবা মথৌ তাই। ইনাক-কৈরাক খুল্লবসু লাইরিক-লাইশু য়াম্না হৈরবসু হকচাংনবু ফৎত্রদি নুংঙাইফম খঙদে, হকচাং ফবনা লননি হায়নরিবনি, শান্নবনা হকচাং ফহনবদা চাওনা মতেং পাংলিবনি। ঙসি শঙ্গারিবা শান্নবুং অসিনা লৈকাই অসিদা অমদি থংনবা লৈকাইগী মীয়ামদা শান্নবগী ইনোৎ পীদুনা হকচাং ফনা থম্বদা মতেং ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়, চাউখৎপদা পোলিটিক্সকী খেন্নবা থল্লোইসি। হৈরোক এ সী অসি মোদেল ওইবা এ সী অমা ওইনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি। কবো লৈকাইগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা হৌরিবা উপাল ময়াম অসি য়েংবদা অসুক্কী মতীক ফজৈ। কবো লৈকাইগী অসুম্না হৈরোক পূম্বদা মথং-মথং তৌরক্লবদি হৈরোক অসি মোদেল ওইবা এ সী অমা শোয়দনা ওইগনি। হৈরোক এ সী অসি অমগা-অমগা নুংশিনবা, অমগা-অমগা মতেং পাংনবা চাউখৎ থৌরাংদা পূন্না শরুক য়ামিন্নবা, অৱা-অনাদা মতেং পাংমিন্নবা এ সী অমা ওইহল্লসি হায়খি।

ঙসি শঙ্গারিবা শান্নবুং অসিগুম্না তৌরাংবম লৈকাই য়ুঠ ক্লব অমসুং এন ঈ এস এ নোংপোক সেকমাইগী শান্নবুংশিংসু শেমগৎকনি। কে দি এগী শান্নবুং অসিদা গেলরি হাপচিনবা অমদি জিম, লাইব্রেরিনচিংবা য়াওবা শঙলেনশিং শানবসু হোৎনজগে। মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়বগা লোয়ননা কে দি এনা শান্নবা খক নৎতনা লৈকাই অদুদা হ্যুমেন রিসোর্ছ চাউখৎনবা লৌরিবা থৌদাং কয়াবুসু এম এল এনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

তুংদা ঙসি শঙ্গারিবা এল ঈ দি ফ্লদ লাইটকী খূদোংচাবা লৈরবা শান্নবুং অদুদা মমি থৱান অমসুং কে দি এগী শান্নরোয়শিংগী ওইবা নুংঙাইরবা ফুটবোল এগজিবিসন মেটচ অমসু পাঙথোকখি। ঙসিগী থৌরম অদু হৈরোক পার্ট-থ্রী গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন তাংবনা প্রিসাইদ তৌখি। থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য হসিনা বেগম য়াওনা তোঙান-তোঙানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী জিল্লা পরিষদ মেম্বরশিংসু গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## চেম্প খাগেমপল্লিনা এম এ এফ ন্যু লম্বুলেনবু ৱিকেট ১০দা অদুগা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা পি টি আর সী পাৎসোইবু রন ২দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস):

অহুমশুবা এম এন সী এ লুৱাংপোকপা টি-২০ ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা চেম্প খাগেমপল্লিনা এম এ এফ ন্যু লম্বুলেনবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদনা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা পি টি আর সী পাৎসোইবু রন ২দা থোইবা ঙমখ্রে।

চেম্প অমসুং এম এ এফকী মেটচ অদুগী টোস চেম্পনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা এম এ এফ ন্যু লম্বুলেনগী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নগদবা ইন্নিংস অদু ১০দা তেনশিনখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ৬১ লৌবা ঙমখি।

এম এ এফকী মায়কৈদগী ওপনর লেনটিনথাংনা বোল ২৪দা রন ২৯ লৌখিবা অমদি মরিশুবা বেটসমেন থাংটিনঙৌনা রন ১৬ লৌবা ঙমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ৫ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে। চেম্প খাগেমপল্লিগী মায়কৈদগী বোলর কবির অমসুং সোমোরজিৎনা ৱিকেট ২/২ লৌদুনা ফজবা বোলরশিং অদু ওইখি।

মায় পাক্নবা চেম্প খাগেমপল্লিগী মায়কৈদগী রন ৬২গী টার্গেট অদু টিম অদুনা বেটসমেন অমত্তা আউট ওইদনা ওভর ৮গী অহানবা বোলদা মেটচ অদু লোইশিনখি।

টিম অদুগী ওপনর অমদি কেপ্টেন ওইরিবা বোনি বোল ২০দা রন ২০ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা অতোপ্পা ওপনর নিটেশ সেদাইসু আউট ওইদনা বোল ২৩দা রন ৩৭ লৌবা ঙমখি।


গ্রুপ বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং পি টি আর সী পাৎসোই লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী টোস ত্রাওনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১১৭ লৌবা ঙমখি। ত্রাওগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন প্রিয়োজিৎনা বোল ২৫দা রন ২৪ লৌখিবা অমদি মরিশুবা বেটসমেন বিশোরজিৎনা বোল ২৬তা রন ২৩ লৌবা ঙমখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেন সিদার্থ অমদি রাহুলনা মথংশিংনা রন ১৩ অমসুং ১২ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

পি টি আর সীগী মায়কৈদগী বোলর আর কে রেক্সনা ত্রাওগী ৱিকেট ২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। অতোপ্পা বোলর অনী পি ঐচ জোটিন অমসুং বিশোরজিৎসু ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা পি টি আর সী পাৎসোইগী মায়কৈদগী রন ১১৮ য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন ১০মক অপীবা ওভর ২০দা আউট ওইরগা রন ১১৫ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু মখোয় ত্রাওগী মখূৎতা রন ২দা মায়থীবা নংখি।

পি টি আর সী পাৎসোইগী মায়কৈদগী ওপনর আর কে রেক্সনা শুপ্পগী বোল ১৮দা রন ৩৬ লৌখিবা অদুনা টিম অদুবু মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে। টিম অদুগী জোটিনগী রন ১৬, কেনজিৎকী রন ১৩ অমসুং এল সন্তোশকী রন ১২ পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ত্রাওগী মায়কৈদগী বিরজিৎ, বিজেন অমসুং অনন্দনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 83**

**Anand, Viswanathan (2766) - Van Wely,L (2617)**
**Amber Rapid Monte Carlo MNC (4), 2004.03.23**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 e5 | 6.Ndb5 d6 | 7.Bg5 a6 | 8.Na3 b5 |
| 9.Nd5 Be7 | 10.Nxe7 Nxe7 | 11.Bxf6 gxf6 | 12.c4 Bb7 |
| 13.Bd3 bxc4 | 14.Nxc4 d5 | 15.exd5 Qxd5 | 16.Qa4+ Kf8 |
| 17.O-O-O Qxg2 | 18.Rhg1 Qxf2 | 19.Qb4 Bf3 | 20.Rgf1 Qg2 |
| 21.Ne3 Qh3 | 22.Bf5 Qh5 | 23.Rd7 Re8 | 24.Bc2 e4 |
| 25.Kb1 Qb5 | 26.Qd6 Qe5 | 27.Qd2 Qf4 | 28.Ba4 Ng6 |
| 29.Bb3 Ne5 | 30.Qd6+ Kg7 | 31.Rxf7+ Kg6 | 32.Rg1+ Kh5 |
| 33.Rxf6 Qxe3... | | | |

**QUESTION :**

**White wins in 4 moves**

**Puzzle 82 Ans. :**

**53.** ...Bxg4 **54.**Ng5+ Kg8 **55.** Rg6+ Kf8 **56.**Nh7+With a discovered attack by the white rook on Black's bishop.

**56.** Ne6+With a discovered attack by the white rook on Black's bishop.Ke7 **57.** Rxg4 Kf6 **58.** Rf4

**58.** Ng7

**58.** ...Ra3 **59.** Ke2

**59.** Nd4 Ke5 **60.** Ne2 Ra7 **61.** Kf3

**61.** Ke3 Ra6 **62.**Kf3

## রবি দহিয়ানা গোল্ড ফংখ্রে, বজ্রং সিলভর ফংহৌরে

অলমাটি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী):

কজাখষ্টানগী কোনুং অলমাটিদা পাঙথোকপা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা রবি কুমার দহিয়ানা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। অদুগা বজ্রং পুনিয়া শোকপদগী ফাইনেল লম্বা তৌবা ঙমদবদগী সিলভর ফংহৌরে।

রবি কুমার দহিয়ানা অলমাটিগী এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড ফংদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা অহুমশুবা রেষ্টলর অদু ওইখি। মহাক্না কেজি ৫৭কী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্ট অদুদা ইরানগী রেষ্টলর অলিরিজা নোষ্ট্রাটোলা সর্লাকপু পোইন্ট ৯-৪দা মায়থীবা পীদুনা হৌখিবা চহীদা মহাক্না ন্যু দেল্লীদা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৱারীদা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল অদু যোগেশ্বর দট্ট অমসুং বজ্রং পুনিয়াসু ফংবা ঙমখ্রবনি। অদুবু চহী ২ থংন-থংননা গোল্ড মেদল ফংবগী রেকোর্দ অদুদি ওলিম্পিককীদমক ক্বালিফাই ওইরবা রবি কুমার দহিয়ানা ওইরি।


**YAIPHARE GROUP OF FINANCE**
**(Y.G. FINANCE)**
**A UNIT OF MICRO FINANCE**
**H/O : CHINGMEIRONG, IMPHAL**
**NEAR : EASTERN MOTOR**

লোন লৌবীয়ু :
অহানবগী ওইনা ৫০,০০০ দগী ১,৫০,০০০ ফাওবা।
অপীকপা শেন্দোইদা ফংবীরগনি।
থাগী অমদি থাখাইগী অপীকপা শেন্দোইদা 1.5% তা লোন লৌবীয়ু।
কনাগুম্বা INVESTOR শিংনা INVEST তৌবীনীংলবদি OFFICE তা লাকপীদুনা অকুপ্পা মরোল তানবীয়ু।

*Sd/-* Manager
Y.G. FINANCE, Chingmeirong, Imphal East
# 7005862472 / 7629922092

HL-B/6907/8/4-6/5 (alt)

**NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS**
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

**ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE**

**CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)**
**CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021**

**CLASS X & XII SC. (CBSE)**
**CLASS STARTING - 11th FEB, 2021**

**SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)**
**STARTING ON - 4th MARCH, 2021**

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6904/7/4-6/5

**COMET**
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**TEST SERIES 2021**

**ENROLMENT OPEN FOR**
**NEET-UG (Medical) 2021**

*Date of Form Issue from :- 06/04/2021*

*Seats are Limited*

Enrolment on first come first serve basis of admission

*For details please contact :-* COMET office between 10am to 4pm, New Block, Keishamthong Top Leirak Maning

HL-B/6925/12-18 (alt)